## মাইগ্রেন্টশিংবু ঙাক শেন্নবা পোলিসি শেম্নবগীদমক তকশিনখ্রে

গ্বাটেমালা, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
যুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা রেফ্যুজিশিং ঙাক শেন্নবগীদমক অনৌবা চৎনা কাঙলোনশিং শেম্নবা রাইটস গ্রুপশিংনা যু এস গভর্ণমেন্টতা তকশিনখ্রে। যু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিস মতম খরগী মনুংদা গ্বাটেমালা অমসুং মেক্সিকোদা ভিজিট তৌরবা য়ানা লৈরি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মাংওইননা রেফ্যুজিশিংগীদমক অনৌবা পোলিসি অমা শেমদুনা যু এসতা তেক্তা কায়দনা লৈহন্নবগীদমক রাইটস গ্রুপশিংনা তকশিনখিবনি।

গ্বাটেমালা অমসুং মেক্সিকোদা রেফ্যুজি কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরি। যু এস গভর্ণমেন্ট অমসুং ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা রেফ্যুজিশিং অদুদা চানা থক্নবা অমদি মেদিকেলগী ওইবা পোৎলমশিং মতেং পীরবসু মদুনা মপুং ফাবদি ওইদ্রি।

রেফ্যুজিশিং অদুবু মেনলেন্দশিংনা য়াম্না তোয়না ওৎ নৈবা অমদি হন্থনা য়েংবগী থৌওং চথরি। মসিনা মরম ওইরগা রেফ্যুজিশিং মখোয়না লৈরিবা কেম্প অদুগী অকোয়বদগী অতোপ্পা মফমদা মনীং তম্না চৎপা ঙমদ্রি। মসিদা নত্তনা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা রেফ্যুজিশিংদা য়াম্না তোয়না এটেক চথবগী থৌওংশিং থোক্লি।

অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক যু এস গভর্ণমেন্টনা রেফ্যুজিশিংগী ওইবা অনৌবা পোলিসি অমা শেম্নগী মতম ওইরে। নোংমাইজিং নুমিত্তা গ্বাটেমালাদা ভিজিট তৌগদৌরিবা যু এস ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিসনা রেফ্যুজিশিংগী য়াইনবগীদমক খল্লগা থবক কয়া পায়খৎলবা য়ানা লৈ হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লীখুনশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

## মৈনা চাকখিবা জহাজতগী দেটা রিকোভর তৌখ্রে

কলম্বো, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
শ্রী লঙ্কাগী ঈশিংগী শরুক্তা কেমিকেল অমদি প্লাষ্টিক্কী কনসাইন্টমেন্ট পীদুনা লাকখিবা এম ভি এক্স-প্রেস পর্ল মৈনা নুমিৎ ১৩ নিরোম চাক্লবা মতুং ঈশিংদা লুপ্পা হৌখ্রে। মৈনা চাকখ্রবা জহাজ অদুদগী মেরিন এক্সপার্টশিংনা ভোয়েজ দেটা রিকোদর (ব্লেক বোক্স) রিকোভর তৌখ্রে হায়রি।

সিঙ্গাপুরগী ফিরাল থেৎপা ইন্দিয়াগী গুজরাটতগী লাকখিবা কারগো ভেসেল অদুনা ঈশিংদা লুপখ্রবা মতুং কা হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লক্লিঙাই লৈতে হায়না শ্রী লঙ্কাগী পোর্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি। ওথোরিটি অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না জহাজ অদুদা য়াওরকখিবা থাউ অমদি কেমিকেলগী শরুকশিং ঈশিংগী ঈমায়দা শন্দোরকপা লৈত্রি।

শ্রী লঙ্কান নেভি, ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্ড, সেলভোজ অমসুং লোকেল ওথোরিটিশিংনা সমুদ্রগী শরুক্তা পোলুসন থোকহল্লক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎলি। মদুনা মীয়াম্না ঈশিংগী ঈমায়দা ওইল পোলুসন থোরক্কনি হায়না চিংনিংঙাই ওইদে।

পনবা য়াবদি কারগো ভেসেল অদু গুজরাটতগী কেমিকেল অমদি কোষ্টমেটিক রো মেটেরিয়েল টন কয়া পুদুনা লাকখিবনি। ভেসেল অদু শ্রী লঙ্কাগী ঈশিংগী শরুক য়ৌরবা মতুং মে ২০ দা মৈ চাকপা হৌরকখিবনি। মৈ অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা নুমিৎ ১৩ নি রোম চঙখি।

# ম্যান্মারদা জুন্টা ফোর্স অমদি লৈবাক অদুগী খুঞ্জাশিংগা উংখৎনবগী থৌদোক্তা ৩ শিরে



য়াঙোন, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারগী খা থংবা শরুক্তা ঙরাং ম্যান্মার মিলিটরি জুন্টা ফোর্স অমদি খুঞ্জাশিংগা উংখৎনখিবগী থৌদোক অমদা মীচম অহুম শিখ্রে হায়না ষ্টেট মীদিয়ানা ফোঙদোরক্লি। অদুমওইনমক উহৌবশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্নদি অশিবা মশীং ১২ শুরম্বা য়াই হায়রি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা ওং সাং সু চিনা লুচিংবা মীয়ামগী লৈঙাক ইন্থুখ্রবা মতুং পৱার পায়শিনখিবদগী তংদু লৈতাদবগী থৌওংশিং থোক্তুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফীভমদসু চাওনা অকায়বা পীরি।

ম্যান্মারগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা কিয়োন পিয়োন রিজনদা ঙরাং অফবা মখলগী খুৎলাইশিং পায়দুনা লাকখিবা লান্মী ১০০ রোমগা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখিবনি। লান্মীশিং অদুনা লোকেল দিফেন্স ফোর্সকী মেম্বর অমা ফানবা হোৎনরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা কা হেন্না উংখৎনরকখিবনি।

মফম অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা মশক মমিং ফোঙদোক্তবা মীওই অমগী মতুং ইন্না চহী ৪ খক্তা শুরিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই ১২ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপ্পুনা হাৎখি। থৌদোক অদুদা লান্মী অমসুং শিখি হায়রি।

ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অদুগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা এন জি ওশিং অমদি রাইটস গ্রুপশিংনা মতেং পাংনবা হোৎনরবসু মিলিটরিনা চঙহন্দবদগী থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরি। হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি জুন্টাগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবা খুদিংমক সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওৎ নৈবা অমদি জেলদা থমজিল্লি। মসিদা নত্তনা করিগুম্বা মতমদা শিবগী চৈরাক ফাওবা পীরি।

ফেব্রুৱারী থাদগী হৌজিক ফাওবদা মীয়াম অমদি মিলিটরিগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক্তা শিখিবা মশীং ৯০০ শুরক্কদৌরে। লৈবাক অদুদা লৈরিবা ইথনিক রিবেল গ্রুপশিংনসু মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মিলিটরি আউট পোষ্টশিংদা এটেক চথবগী থবক হৌখ্রবনি। অমরোমদা এ এস ঈ এ এনগী এনভোয়শিংগা ইরাই নুমিত্তা মিলিটরি লুচিংবা মিনগা উন্নখিবা অদুদা মিলিটরিগী মায়কৈদ্দগীদি লৈবাক অদুদা হান্নগী ফীভম হল্লক্ত্রিফাওবা ইলেক্সন তৌরোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

# অফঘানিষ্টানদা লেন্দমাইন পোকখায়বগী থৌদোক্তা অঙাং য়াওনা মীওই ১১ শিরে, খরা শোক্লে



কাবুল, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা লেন্দমাইন অমা পোকখায়রকপগী থৌদোক্তা চহী নৌরিবা অঙাং অমা য়াওনা মীচম ১১ শিখ্রে হায়না লোকেল গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদু টালিবান ফাইটরশিংনা প্লান তৌদুনা থোকহনখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

টালিবানগী মায়কৈদগীদি থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অতোপ্পা লালহৌলুপশিংনসু থৌদোক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। কটারদা যু এস ওফিসলশিং অমসুং টালিবান লুচিংবশিংনা লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা পুরক্নবগী মতাংদা খন্না নৈনখিবা অদুগী পুং খরগী মমাংদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় সের মহামদ অবাস ষ্টাননেকজইনা ফোঙদোরকখিবদা টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানদা তংদু লৈতাবা পুরক্নবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি। যু এন ওফিসলশিংগা ৱারী শান্নখিবা অদুদসু নাকল অনীগী মরক্তা হীরম কয়াদা য়ানখি। অফগানিষ্টানদা ঈং তপ্পা পুরক্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিদা লাকখিবা যু এন এজেন্সিশিংগী ষ্টাফ খুদিংমক্কী চেকশিন থৌরাং টালিবাননা পায়খৎকনি হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অদুদগী ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা এটেক চথবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। অফগানিষ্টানগী প্রোভিন্স খরা টালিবান ফাইটরশিংনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি। প্রোভিন্স অদুদা লৈরিবা মীয়াম অয়াম্বা তংদু লৈতাদবা পুন্সি মহিং অমদা হিংলি।

টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুদা ঈং তপ্পা পুরক্কনি হায়না ফোঙদোক্লবসু মখোয়গী থবক থৌওংশিংদদি অহোংবা লৈত্রি। হৌখিবা চয়োল অমসিদা টালিবান ফাইটরশিংনা বোমগী লাং থাক্তুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া হাৎখ্রে। পনবা য়াবদি চহী অসিগী হৌগৎলকপদগী মার্চ থা ফাওবা খক্তদা টালিবান ফাইটরশিংনা মীচম ১৮০০ হাৎখি।

# পাউ কভরেজ তৌরিঙৈদা ইজরেল পুলিসনা পুঙ কয়া ফাজিন্দুনা থম্লুরবা অল জাজিরাগী পাউমী অমুক হন্না থাদোরকখ্রে



জেরুসালম, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
ইষ্ট জেরুসালমদা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজং অমা কোভরেজ তৌরিঙৈদা ইজরেল পুলিসনা ফাজিনখিবী অল জাজিরাগী অরাবিক জর্নেলিষ্ট গিভারা বুদৈরি কষ্টদিদগী পুং কয়ামুক লৈরগা থাদোরকখ্রে হায়রি।

পুলিসনা থাদোরকখ্রবা মতুং বুদৈরিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক অমদি মহাক্কী কেমেরামেন নবিন মজাৱিগা লোয়ননা সৈখ জারা থাননা লৈরিবা ইষ্ট জেরুসালমদা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজং অমা কভরেজ তৌনবা হোৎনরিঙৈদা ইজরেল পুলিসনা খঙহৌদনা চঙশিল্লক্লগা মখোয়দা অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নরকখিবগা লোয়ননা কেমেরামেন মবিন মজাৱেনা শীজিন্নবা পোৎলমশিং মাঙহন তাকহনখি। মদুগী মতুং মহাকপু মরম অমত্তা পীদনা ফাজিনখিবনি।

ফারবা মতুং মহাকপু ক্রিমিনেল অমগী মতৌগুম পুলিস গাড়ী মনুংদা য়াম্না ফজদবা মওংদা নমফুন্দা কাখৎহনখি অমদি মখোঙনা মহাক্কী মনগনদা কাওরকখি হায়রি। গাজা ষ্ট্রিপতা পাউমীশিংনা হৌজিকসু মনীং তম্না মথৌ তৌবা ঙমদ্রি। জর্নেলিষ্টশিংনা মশাগী মথৌ পাঙথোক্নবা হোৎনবদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা য়াম্না তোয়না অয়েৎপা পীবগী থবক চথুদুনা লাক্লি। মসি জর্নেলিষ্টশিংগী ঈকায়খুম্নবা অমদি হক মাঙহনবনি হায়রি।

অমরোমদা ইজরেলি গভর্ণমেন্ট প্রেস ওফিস (জি পি ও) না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না বুদৈরি হৌখিবা কুমজা ২০০০ দগী অল জাজিরাদা পাউমী ওইনা থবক তৌরকখ্রবনি। মহাক ফাবা মতমদসু প্রেস থাবা জেকেট লিৎখি। অদুবু ইজরেল পুলিসনা পাউমী অমবু ক্রিমিনেল অমগী মতৌগুম পুলিস ষ্টেসনদা পুখিবা অদু লাইবকথিবনি।

বুদৈরি নুমিৎ ১৫ নিগী ওইনা সৈখ জরাদা চত্তবা হায়বা ৱাফমদা য়ানদুনা অমুক হন্না মহাকপু থাদোরকখিবনি। অল জাজিরা মীদিয়া নেটৱার্ককী এক্তিং দিরেক্তর জেনরেল ডো. মোষ্টেফানসু থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা আপীল তৌরক্লি।

## টাইৱানদা যুনাইটেদ ষ্টেটসনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ৭,৫০,০০০ লেম্না পীখ্রে

টাইপৈ, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীরিবা টাইৱানদা মতেং পাংবা ওইনা যুনাইটেদ ষ্টেটসনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ৭,৫০,০০০ লেম্না পীখ্রে হায়না যু এস সেনিটর তমি দকৱাথনা ফোঙদোরক্লি।

টাইৱানদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী কেস মশীং য়াম্না থেংনবা ওইদ্রবসু ভেক্সিনগী অৱাৎপদি অদুমক লৈরি। ঈথৎ অদুদা লৈরিবা মীওই মিল্লিয়ন ২৩.৫ অদুগী মনুংদা ভেক্সিন কাপ্পগী চাং য়াম্না নেম্লি। টাইৱানদা লৈরিবা মীওইশিংগী চাদা অহুমগী চাং খক্তদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লি। মরম অদুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা টাইৱানদা কোভিদ ভেক্সিন মতেং পাংনবা হোৎনরি।

জপানগী মায়কৈদ্দগীসু টাইৱানদা মমাং চয়োলদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ কয়া মতেং পাংলকখ্রে। মদুগী মতুং ৱাশিংটনসু ঙসি টাইৱানদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ৭,৫০,০০০ মতেং পীখিবনি। অমরোমদা টাইৱানবু রুল তৌরি হায়না ক্লেম তৌরিবা চাইনানদি ঈথৎ অদুদা ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মতেং পীরকপা লৈত্রি অমদি ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা মতেং পীনবা হোৎনরকপদসু চাইনানা থিংনবা হোৎনরি হায়না টাইৱাননা মরাল শীরক্লি। বৈজিংনদি টাইৱাননা শীরক্লিবা মরাল অদু যুম্ফম য়াওদে হায়রি।

## ‘ম্যান্মারদা থোক্লিবা থৌদোকশিং তরাইনা লৌদে’

বেঙ্কোক, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
থাইলেন্দগা যুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মারদা হৌজিক থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং অসি বেঙ্কোকনা তরাইনা লৌদে হায়না থাই ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় তানি সংগ্রদনা ফোঙদোরক্লি।

ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং মীয়াম অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা এপ্রিল থাদা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সকী মীহুৎশিংনা ম্যান্মার মিলিটরিদা থমখিবা ৱাফমশিং ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপা উদ্রি।

ম্যান্মারদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়ামগী মথক্তা চথরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা খুদক্তগী লেপকদবনি অমদি মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক অমা লাকহন্নবা হোৎনবদা মিলিটরিনা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়রি। পনবা য়াবদি ফ্রেব্রুৱারী থাদগী হৌজিক ফাওবদা ম্যান্মার মিলিটরিনা মীওই ৪,৫০০ হেন্না ফাজিন্দুনা থমখি। অদুগা মীওই ৮৪৭ কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

## য়েমেনদা হৌথি রেবেলশিংনা চথখিবা মিসাইল এটেক্তা মীওই ১৭ শিখ্রে, ৫ না শোকহনখ্রে

মারিফ, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
য়েমেনগী মারিফ সিটিদা ইরাননা মতেং পাংলিবা হৌথি রেবেলশিংনা মিসাইল কাপশিল্লক্তুনা চথখিবা এটেক অমদা মশাগী চহী ৫ খক্তা শুরীবী নুপীমচা অমা য়াওনা মীওই ১৭ শিখ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা প্রোভিন্সিএল গভর্ণরগী প্রেস সেক্রেটরি অল্লি অল-ঘুলিসিনা ফোঙদোরকখিবদা মরিফতা লৈরিবা পেট্রোল ষ্টেসন অমদা হৌথি রেবেলশিংনা কাপশিল্লকখিবা বেলেষ্টিক মিসাইল অদুনা মরম ওইরগা মীওই ১৭ শিহনখিবগা লোয়ননা ৫ না অশোক অপন নংহনখি। হৌথি রিবেলশিংগী এটেক্তা লৈখ্রিদবা অমদি শোক্লবা মীওইশিং মীচম ঙাক্তনি।

হৌথি রেবেলশিংনা মীয়াম তিনবা মফমদা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথরকখিবা অদু যুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং যুনাইটেদ নেসন্সনা কন্দেম তৌফম তোকই হায়না ৱাঙাঙলোয় অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱার ক্রাইমশিং চথরকখিবশিং অদুগী মথক্তা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে হায়রি। য়েমেন মনুংদা থোক্লিবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লি। কুমজা ২০১৪ দগী ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংগা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং লেপ্পা লৈতনা চথুদুনা লাক্লি।

# অফ্রিকাদা শামুগী মশীং অঙকপা ফংনা হন্থখ্রবসু জিম্বাবৱেদদি হন্থবা লৈত্রি



হরারে, জুন ০৬ (এজেন্সী) :
অফ্রিকাদা লমলক্কী শাশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী চাওবা শামু হাৎপগী থবক কা হেন্না চথবনা মরম ওইরগা শামুগী মশীং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা হন্থরক্লি। অদুমওইনমক জিম্বাবৱেদদি শামুগী মশীং কা হেন্না হেনগৎলকপদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবা হৌরে হায়রি।

অফ্রিকাদা শামু লাক্ষ অমরোম হেন্না লৈরমখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা থিখিবা মশীংগী মতুং ইন্না অফ্রিকাদা শামু লীশিং ৮৪ রোম লৈ। মদুগী মতুং হন্দক মশীং থিরুবদা লীশিং ৪৫ রোমদা হন্থরমখিবনি। লৈবাক অদুদা শামু হাত্তুনা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক তোয়না চথবনা মরম ওইরগা শামুগী মশীং অকিবা ফংনা হন্থরকখিবনি।

অমরোমদা জিম্বাবৱে পার্কস এন্দ ৱাইল্দ লাইফ ওথোরিগী ৱাঙাঙলোয় টিনাসে ফারাৱোনা ফোঙদোরকখিবদা অফ্রিকাদা শামুগী মশীং হন্থখ্রবসু জিম্বাবৱেদদি মশীং হেনগৎলকপদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা হৌরক্লে। জিম্বাবৱে ওথোরিটিশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদা শামুবু ঙাক শেন্দুনা লাকখি। অদুবু মশীং কা হেন্না হেনগৎলকপদগী অতোপ্পা শা কয়াগী লৈফমশিং শামুনা মাঙহন তাকহনবগী থৌওং তোয়না চথরি।

জিম্বাবৱেদা ঙল্লিঙৈ মতমদা লংজা কয়া লৈরমখি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা লংজাশিং কা হেন্না শীজিল্লক্লি। হান্না লৈরম্বা লংজা অয়াম্বসু মফম অসি থাদোক্তুনা পাইনখ্রে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লংজাশিং অদুনা শৈদাংফম ওইরিবা উ পাম্বীশিং অদু শামু লমশাশিংনা মনাতোন্না কোত্তুনা থুদেকপা অমদি ঙাইহাক লৈতনা নোম্বদগীনি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা জিম্বাবৱেদা শামু মশীং কন্ট্রোল তৌনবগীদমক পাক্তক্লনা হাৎপগী থবক চথরবা য়ানা লৈরি। জিম্বাবৱে লোগী মতুং ইন্নসু মশীং কা হেন্না হেনগৎলকপা শাশিং পাক্তক্লনা হাৎপদা অয়াবা পীরি।

ইন্তরনেস্নেল যুনিয়ন ফোর কঞ্জারভেসন ওফ নেচর (আই যু সী এন) না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্নদি জিম্বাবৱেদা শামু মশীং হেনগৎলক্লবসু অফ্রিকাদদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা জিম্বাবৱেদা লৈরিবা শামুশিং অতোপ্পা লৈবাকশিংদা থাজিন্নবা হোৎনগদবনি। জিম্বাবৱেদা শামু মশীং হেনগৎলকপদগী মীয়াম অমদি অতোপ্পা লম্লক্কী শাশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকনহল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা খন্না নৈনবগী মতম ওইরে। অদুমকপু শামুশিং পাক্তননা হাৎপদা অয়াবা পীরবদি তুংদা খুদোংচাদবা কয়া থোরকপা য়াই। নীয়ম লান্না শা হাৎপা মীওইশিংনা কা হেন্না খুদোংচাবা লৌখিগনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 173,780,489 | +66,798 | 3,737,818 | +1,753 | 156,921,378 | 13,121,293 |
| 1 | USA | 34,204,374 | | 612,203 | | 28,103,491 | 5,488,680 |
| 2 | India | 28,809,339 | +967 | 346,784 | | 26,984,781 | 1,477,774 |
| 3 | Brazil | 16,907,425 | | 472,629 | | 15,290,500 | 1,144,296 |
| 4 | France | 5,707,683 | | 109,973 | | 5,405,991 | 191,719 |
| 5 | Turkey | 5,282,594 | | 48,068 | | 5,154,771 | 79,755 |
| 6 | Russia | 5,126,437 | +9,163 | 123,787 | +351 | 4,736,446 | 266,204 |
| 7 | UK | 4,511,669 | | 127,836 | | 4,272,579 | 111,254 |
| 8 | Italy | 4,230,153 | | 126,472 | | 3,908,312 | 195,369 |
| 9 | Argentina | 3,939,024 | | 80,867 | | 3,497,500 | 360,657 |
| 10 | Germany | 3,706,934 | | 89,825 | | 3,538,000 | 79,109 |
| 11 | Spain | 3,697,987 | | 80,196 | | 3,471,163 | 146,628 |
| 12 | Colombia | 3,547,017 | | 91,422 | | 3,290,596 | 164,999 |
| 13 | Iran | 2,966,363 | +5,612 | 81,063 | +122 | 2,552,401 | 332,899 |
| 14 | Poland | 2,875,136 | +312 | 74,152 | +13 | 2,645,150 | 155,834 |
| 15 | Mexico | 2,432,280 | +2,649 | 228,754 | +186 | 1,937,977 | 265,549 |
| 16 | Ukraine | 2,214,517 | +937 | 51,182 | +42 | 2,093,228 | 70,107 |
| 17 | Peru | 1,980,391 | | 186,073 | | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 1,856,038 | +5,832 | 51,612 | +163 | 1,705,971 | 98,455 |
| 19 | South Africa | 1,691,491 | | 56,929 | | 1,574,223 | 60,339 |
| 20 | Czechia | 1,663,517 | +152 | 30,159 | +1 | 1,624,721 | 8,637 |
| 21 | Netherlands | 1,661,520 | | 17,675 | | 1,520,914 | 122,931 |
| 22 | Chile | 1,420,266 | | 29,816 | | 1,342,080 | 48,370 |
| 23 | Canada | 1,391,174 | | 25,712 | | 1,340,123 | 25,339 |
| 24 | Philippines | 1,269,478 | +7,228 | 21,898 | +166 | 1,188,243 | 59,337 |
| 25 | Iraq | 1,221,678 | | 16,518 | | 1,137,695 | 67,465 |
| 26 | Romania | 1,078,863 | +121 | 30,815 | +90 | 1,042,898 | 5,150 |
| 27 | Sweden | 1,078,062 | | 14,485 | | 993,191 | 70,386 |
| 28 | Belgium | 1,069,874 | +1,468 | 25,019 | +5 | 978,751 | 66,104 |
| 29 | Pakistan | 932,140 | +1,629 | 21,265 | +76 | 863,111 | 47,764 |
| 30 | Portugal | 852,034 | | 17,032 | | 811,640 | 23,362 |
| 31 | Israel | 839,566 | | 6,418 | | 832,932 | 216 |
| 32 | Bangladesh | 809,314 | | 12,801 | | 749,425 | 47,088 |
| 33 | Hungary | 806,008 | +137 | 29,854 | +12 | 716,163 | 59,991 |
| 34 | Japan | 760,323 | +2,652 | 13,523 | +74 | 703,525 | 43,275 |
| 35 | Jordan | 739,319 | | 9,516 | | 720,190 | 9,613 |
| 36 | Serbia | 713,562 | | 6,909 | | 700,133 | 6,520 |
| 37 | Switzerland | 697,292 | | 10,832 | | 656,591 | 29,869 |
| 38 | Austria | 646,800 | +362 | 10,639 | +3 | 630,942 | 5,219 |
| 39 | Malaysia | 616,815 | +6,241 | 3,378 | +87 | 526,809 | 86,628 |
| 40 | Nepal | 588,124 | +3,024 | 7,898 | +99 | 491,009 | 89,217 |
| 41 | UAE | 583,071 | +1,874 | 1,699 | +3 | 562,576 | 18,796 |
| 42 | Lebanon | 541,423 | | 7,758 | | 523,476 | 10,189 |
| 43 | Morocco | 521,195 | | 9,173 | | 508,850 | 3,172 |
| 44 | Saudi Arabia | 456,562 | | 7,440 | | 439,459 | 9,663 |
| 45 | Ecuador | 431,429 | | 20,773 | | 375,151 | 35,505 |
| 46 | Bulgaria | 419,426 | | 17,813 | | 386,068 | 15,545 |
| 47 | Greece | 408,789 | | 12,253 | | 378,963 | 17,573 |
| 48 | Belarus | 399,852 | +943 | 2,910 | +10 | 392,366 | 4,576 |
| 49 | Kazakhstan | 394,075 | +1,191 | 4,042 | | 366,204 | 23,829 |
| 50 | Slovakia | 390,436 | +96 | 12,404 | +9 | 376,440 | 1,592 |
| 51 | Bolivia | 385,734 | +2,277 | 14,981 | +81 | 305,219 | 65,534 |
| 52 | Panama | 381,949 | | 6,395 | | 367,991 | 7,563 |
| 53 | Paraguay | 371,021 | | 9,739 | | 304,294 | 56,988 |
| 54 | Croatia | 357,565 | +157 | 8,086 | +6 | 347,997 | 1,482 |
| 55 | Tunisia | 353,782 | | 12,948 | | 310,705 | 30,129 |